# ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ : দিপকনা টোকিওগী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট মায়থিবা পীখ্রে, হসামুদ্দিন ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে




ন্যু দেল্লি, মে ০৮ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী বোক্সর দিপকনা চথরিবা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী নোংমাইজিং নুমিত্তা শান্নখিবা কে জি ৫১ কাঙলূপকী বাউট অমদা টোকিও ওলিম্পিককী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট অমদি কুমজা ২০২১ গী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন সাকেন বিবোসিনোভপু মায়থিবা পীদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

দিপকনা বাউট হৌরকপদগী তপ্পা মতম চঙহন্না শান্নদুনা গেমগী রিদমদা লাক্লবা হোৎনখি। অদুবু বিবোসিনোভনা খুদোংচাবা লৌদুনা পঞ্চ খরা থিন্দোরকখি। ইন্দিয়াগী বোক্সরনা অহানবা রাউন্দ লোইরমদাই কন্না শান্নদুনা মহাক্কী ওপোনেন্টকী মায়োক্তা অকনবা পঞ্চ খরা থাদোরকখি। অদুবু ইন্দিয়াগী বোক্সরনা ২-৩ দা মায়থিখি।

অনীশুবা রাউন্দগী মতুং দিপকনা ফাইনেল রাউন্দদা য়াম্না কন্না হল্লক্তুনা মহাক্কী ওপোনেন্টকী মথক্তা অকনবা পঞ্চ কয়া থিন্দোরকপগা লোয়ননা কজাককী বোক্সরগী পঞ্চশিংবু খুদুম চনশিন্দুনা জজশিংবু ইমপ্রেস তৌদুনা ৫-২ দা মায়থিবা পীদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

দিপকনা চাইনাগী জাং জিমাওগা প্রিক্বার্টরদা লম্বা তৌনরগনি। দিপকনা মায় পাক্লবা মতুং ফোঙদোরকখিবদা, ঐগী পান্দমদি শান্নবা হৌরকপদগী য়াম্না ঈৎ তপ্পা শান্নদুনা অঙন্বা পোইন্ট লৌবনি। অহানবা রাউন্দ অনীদি য়াম্না লুবা বাউট ওইখি। অদুবু ঐগী ঈৎ তপ্পা শান্নববু কায়হন্দনবা ফোকস তৌখিবগা লোয়ননা ওপোনেন্টপু চপ চাবা মতমদা এটেক তৌবা অসিনি।

বাউট খুদিংমক ঐগী ওইনদি য়াম্না মরুওই। শান্নখিবা মেটচ খুদিংমক ঐগী ওইনদি ফাইনেল মেটচকা চপ মান্নে হায়খি।

অমরোমদা কে জি ৫৭ কাঙলূপকী ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল বাউট অমদা হসামুদ্দিননা মহাক্কী রসিয়াগী ওপোনেন্ট সেভভিন এদোর্দ মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চংবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী বোক্সরনা বাউট হৌরকপদগী খুদুম চন্না শান্নখিবগা লোয়ননা মহাক্কী ওপোনেন্টবু অমুক হল্লকপগী খুদোংচাবা পীখিদে।

হসামুদ্দিননা থুনা য়াঙনা মহাক্কী রসিয়াগী ওপোনেন্টবু অনীশুবা রাউন্দদা মায়থিবা পীরবা মতুং অহুমশুবা রাউন্দগী শান্নবদা হসামুদ্দিননা য়াম্না হৈশিংনা কাউন্টর পঞ্চ কয়া পীদুনা য়ুনানিমস দিসিজন ৫-০ দা মায়থিবা পীখিবনি।

মহাক্না বলগেরিয়াগী জেবিয়র দাইস ইভানেসকা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বোক্সর অনী সুমিত অমদি নরেন্দ্র বরৱালনা ঙসি শান্নখিবা কে জি ৭৫ অমদি ৯২ মথক্কী বাউটশিংদা মায়থিহৌদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখি।

সুমিতনা চথরিবা আই বি এ মেন্স ৱর্ল্ডস বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিগী মহাক্কী অহানবা বাউটতা মায় পাক্না কেম্পেন হৌদোক্তুনা অহানবা রাউন্দদা ৩-২ দা মহাক্কী ওপোনেন্টবু মায়থিবা পীখি। অনীশুবা রাউন্দগী বাউটতসু সুমিতনা ২-৩ দা মায়থিবা পীরমখি। অদুবু ফাইনেল রাউন্দগী শান্নবদা মহাক্কী হান্নগী মোমেন্টমদা হল্লকপা ঙমদনা সোসুলিনগী মথক্তগা স্প্লিট ভর্দিক্ট ১-৩ দা মায়থিদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখিবনি।

অতোপ্পা কে জি ৯২ মথক্কী ঙসি শান্নখিবা বাউট অমদা ইন্দিয়াগী বোক্সর নরেন্দ্র বরৱালনা ক্যুবাগী ফর্নান্দো অর্জোলাগী মখুত্তা ২-৩ দা মায়থিহৌদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখিবনি।

# ট্রাইয়ল সেলেক্সনদা কিদম্বি স্রিকান্থ অমসুং অশমিতা চালিহানা মকোক থোংনা লৈবা ঙমখ্রে



হায়দ্রবাদ, মে ০৮ (এজেন্সী): এসিয়ন গেমসতা শরুক য়ানবগীদমক বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ট্রাইয়ল সেলেক্সনদা নুপাগী ওইনা কিদম্বি স্রিকান্থ অদুগা নুপীগী ওইনা অশমিতা চালিহানা মকোক থোংনা লৈবা ঙমখ্রে।

নুমিৎ মরিনী চুপ্পা চথরকখিবা ট্রাইয়ল অদুদা কুমজা ২০২১ গী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ সিলভর মেদলিষ্ট স্রিকান্থ অমসুং চাহিলানা মেটচ অমত্তদা মায়থিবা নংখিদে। মেটচ ৬ শান্নখিবা অদুদা মখোয় অনীমক্না মেটচ ৬ তা মায় পাকপা ঙমখি।

গ্রুপ এগী টোপ ওইরিবা স্রিকান্থনা সিধান্থ গুপ্তবু ২১-১৩, ২১-১৬ তা মায়থিবা পীখি। হায়রিবা মেটচ অসিগী মতুংদা ষ্টেজ ২ ট্রাইয়লদা লক্ষ্য সেনবু স্রিকান্থনা ২১-১৫, ২১-১৪ দা মায়থিবা পীখি। লক্ষ্য সেন অমসুং স্রিকান্থকী মেটচ অসি ঙরাং পাঙথোকখিবনি। হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা নেসনল চেম্পিয়ন মিথুন মঞ্জুনাথকা শান্নখিবা মেটচ অদুদনা স্রিকান্থনা ২২-২৪, ২১-১৩, ২১-১৪ দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

ষ্টেজ ২ দা স্রিকান্থনা টোপ ওইনা লৈখ্রবা মতুং লক্ষ্যনা ১-৪ রেঙ্কিং অসিগী ২ শুবা ওইনা লৈরি। লক্ষ্য সেননা ট্রাইয়ল মেটচ অমখক্তমক মায়থিবা নংখি। অমরোমদা কম্মন ৱেল্থ গেমস চেম্পিয়ন অসিনা মেটচ ৪ মায় পাক্তুনা গ্রুপ বি মকোক থোংনা লৈখ্রে। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা স্রিকান্থকী মখুত্তা মায়থিবা নংদ্রিঙৈদা লক্ষ্য সেননা মঞ্জুনাথপু ২১-১৭, ২১-৮ দা মায়থিবা পীখি। অদুগা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা সিধান্থ গুপ্তগা শান্নখিবা মেটচ অদুদনা লক্ষ্য সেননা ২১-১৭, ২১-১১ দা মায় পাকপা ঙমখি।

ষ্টেজ ২গী ১-৪ রেঙ্কিং অসিদা মঞ্জুনাথনা মেটচ অনী মায়থিখি, অদুগা মেটচ অমা মায় পাকপা ঙমদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

অমরোমদা নুপীগী সিঙ্গলসতা চালিহা অমসুং অনুপামা উপধ্যনা অহানবা অমসুং অনীশুবদা লৈরি। অদুগা মালভিকা বাসোদনা ষ্টেজ ২গী অহুমশুবা মফম কন্দুনা লৈরি। ট্রাইয়ল অসিদা উন্নাতি হুদানা মেটচ অহুম্মক মায়থিবা নংদুনা মরীশুবা পোজিসনদা লৈরি। পাঙথোকখিবা ট্রাইয়ল অসিদা নুপা প্লেয়র ৯ অমদি নুপী প্লেয়র ৮ না শরুক য়াখি।

# সবিতানা ওষ্ট্রেলিয়া টুরগী ইন্দিয়ন ৱিমেন্স টিম লুচিংলগনি




ন্যু দেল্লি, মে ০৮ (এজেন্সী): ওষ্ট্রেলিয়াগী এদিলেটতা থা অসিগী ১৮ দগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মেটচ সেরিজ অহুমদা শরুক য়াগদবা মেম্বর ২০ না শাবা নেসনল ৱিমেন্স টিম ঙসি হোক্কী ইন্দিয়ানা লাউথোকখ্রে।

ইন্দিয়ন ৱিমেন্স টিমনা ওষ্ট্রেলিয়া এগা মেটচ অনী অমসু শান্নগনি। ওষ্ট্রেলিয়া টুর অসি ইন্দিয়া টিমগী ওইনা চাইনাগী হাংঝৌদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমসকী প্রিপরেসনগী শরুক অমনি।

ইন্দিয়ন টিম অসি হন্দক্তগা বালবির সিংহ সিনিয়র হোক্কী ইন্দিয়া প্লেয়র ওফ দি য়র (২০২২) এৱার্দ ফংখ্রবী বেষ্ট গোলকীপ্পর সবিতানা লুচিংলগনি। মহাকপু দিক গ্রেজ একানা টিমগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা এসিষ্ট তৌরগনি।

হোক্কী ইন্দিয়াগী স্কৱাদ লাউথোকপা অদুবা বিজু খারিবমবু অনীশুবা গোল কীপ্পর ওইনা শরুক য়ারি। অদুগা দিফেন্দরদা দিপ গ্রেজ একা, নিকি প্রধান, ইশিকা চৌধুরি, উদিতা অমদি গুরজিৎ কোরনা শরুক য়ারি। মীদ ফিল্ডর কাঙলূপ্তা নিশা, নভজোট কোর, মোনিকা, সলিমা টেটে, নেহা, নভনিট কোর, সোনিকা, জ্যোতি অমদি বলজিৎ কোরনা শরুক য়ারি।

ইন্দিয়াগী ফোৱার্দ লাইনদা ইন্টরনেসনল কেপ ২৫০ হেন্না শান্নখ্রবী সিজন ষ্ট্রাইকর ভন্দনা কতারিয়ানা লুচিংলগনি। ফোরৱাদতা শান্নগদবা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুদি লালরেমসিয়ামি, শঙ্গিতা কুমারী অমদি শর্মিলা দেবিনা শরুক য়ারি।

টিম সেলেক্সনগী মতাংদা চীফ কোচ জানিকে স্কোপমেননা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয়না থা অনী ইন্টেন্স ট্রেনিং ব্লোক্তা লৈরুরবা মতুং ইন্টরনেসনল এক্সপোজর চৎপা অসিদা ঐখোয় য়াম্না এক্সাইটেদ ওই। ওষ্ট্রেলিয়া অসি ঐখোয়গী ফোর্মিদেবল ওপোনেন্ট ওইবতা নত্তনা হোক্কীবু স্পিদকা লোয়ননা এটেক্কিং প্লে শান্নবা টিমনি হায়খি।

ওষ্ট্রেলিয়া টুর অসি ঐখোয়গী ওইনা অচৌবা টেষ্ট অমা ওইগদৌরি অমদি ঐখোয়না মখোয়গী স্পিদপু ঙাকথোক্তুনা ঐখোয়গী দিফেনিন্সব গ্রাউন্দ মেন্টেন তৌনবা হোৎনগনি হায়না স্কোপমেননা মখা তাখি।

ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াগা মে ১৮, ২০ অমদি ২১ দা শান্নরগনি। অদুগা ওষ্ট্রেলিয়া-এগা মে ২৫ অমদি ২৭ তা শান্নরগনি। মেটচ পুম্নমক ওষ্ট্রেলিয়াগী এদিলেটতা লৈবা মেট ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি হায়রি।

# ইপি এল : অর্সনেলনা ন্যু কাসল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে



ন্যু কাসল, মে ০৮ (এজেন্সী): অর্সনেলনা ন্যু কাসল য়ুনাইটেদপু ২-০ দা চথরিবা প্রেমিয়র লীগকী নোংমাইজিং নুমিত্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থিবা পীদুনা টাইটলগী লমজেলদা নকশিনহনখ্রে।

অর্সনেলগী মায় পাকখিবা অসিনা মেঞ্চেষ্টর সীটিদগী পোইন্ট অমা হন্থরগা পোইন্ট ৮১ ফংদুনা টেবলগী অনীশুবা মফমদা লৈরি। সীটিনা গেম ১০ ষ্ট্রেটতা মায় পাক্তুনা গেম ৩৪ দা পোইন্ট ৮২ ফংদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈরি। ন্যু কাসলনা পোইন্ট ৬৫ ফংদুনা টেবলগী অহুমশুবা মফমদা লৈরি। অদুবু নোংমাইজিং নুমিত্তা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ অমদি ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদ অনীনা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা মায় পাক্লবদি ন্যু কাসল মরিশুবা মফমদা লৈহৌগদৌরিবনি।

অর্সনেল অমদি ন্যু কাসল অনীনা শান্নখিবা মেটচতা শান্নবা হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ ন্যু কাসলনা বোল হেন্না পায়দুনা খুদুম চন্না শান্নখি। শান্নবা হৌরকপগী অনীশুবা মিনিটতা ন্যু কাসলগী জেকোব মর্ফিনা গোল পোষ্ট নক্না কাউশিল্লকখিবা বোল অমা গোল ওন্থোকপা ঙমদনা অরেম্বা তাখি। মখা তানা ন্যু কাসলগী গোল চনবা য়াবা শোটশিংসু গোলকিপ্পর এরোন রামজদেলনা নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমখি।

অর্সনেলগী কাউন্টর এটেক অমদা বুরনো গুইমরেসনা কাউরকখিবা শোট অমা ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা জাকুব ক্যুৱিরগী মখুত্তা পানবদগী রেফ্রি খৃষ্ট কবানাঘনা অর্সনেলগী ফেবরদা পেনালটি অমা বুক তৌখি। মখা তানা ভি এ আর চ্যেক তৌবদা হেন্দ বোল তারম্বদগী ভিজিটর টিমগী মায়কৈদা শ্বর হোন্দোকখি।

স্পোটকীক অদু মার্টিনা ওদিগার্দনা গোল ওন্থোক্তুনা শান্নবগী ১৪ শুবা মিনিটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখ্রবা মতুং অর্সনেলগী মায়কৈদগী কাউন্টর এটেক কয়া ন্যু কাসলগী মথক্তা চথখিবগা লোয়ননা গোলকিপ্পর নীকোপনা গোল চনবা য়াবা শোট কয়া অমসু ঙাকথোকপা ঙমখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবদা টিম অনীগী মায়কৈদা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা অমুক অনী ফংনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্মদনা লাকখি। অদুবু মেটচ লোয়গদবা মিনিট ২০ ৱাৎলিঙৈ গেব্রিয়েল মার্টিনেলিনা খাইরকখিবা বোল অমগী মতেংদগী চারনা মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

ন্যু কাসলগী বোস এদি হোৱিনা ফোঙদোকখিবদা, করিগুম্বা জে কোবনা খুদোংচাবা অদু ঙন্না ফংলম্লবদি গেম অসি পুংতোপ তোপ্পা গেম অমা ওইরমগদবনি হায়খি।

# মেক্স ভর্ষ্টেপেননা মিয়ামী গ্রান্দ প্রিক্সকী ৱিন্নর ওইখ্রে



মিয়ামী গার্দেন, মে ০৮ (এজেন্সী): ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মেক্স ভর্ষ্টেপেননা ৯ শুবা গ্রিদতগী তানখৎলক্তুনা মহাক্কী টিম মেট সর্জিও পেরেসপু মায়থিবা পীদুনা নোংমাইজিং নুমিত্তা মিয়ামী গ্রান্দ প্রিক্সকী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

ভর্ষ্টেপেননা পোইন্ট ১৪ ফংদুনা টোপতা লৈবা ঙখিবনি অমদি রেদ বুলগী ওইনসু সিজন অসিদা পাঙথোকখিবা রেস মঙাদা অহানবা অমদি অনীশুবা পোজিসন তাবা মরীরকশুবা ওইরি।

ভর্ষ্টেপেনগী ওইনা থাংজ নুমিত্তা পাঙথোকখিবা ক্বালিফাইংদা য়াম্না থম্মোয় শোক্লিঙায় ওইবা পর্ফোমেন্স পীখ্রবা মতুং কন্না হোৎনদুনা মহাক্কী অহুমশুবা মায় পাকপা ওইবা ঙমখিবনি। রেদ বুল কারগী য়াঙবা অমদি টয়রগী স্মার্ট দিসিজননা মহাকপু য়াঙনা থৌহনবা অমদি মহাক্কী টিম মেট পেরেসপু মায়থিবা পীবদা অচৌবা মতেং ওইখি।

এষ্টন মার্টিনগী স্পেনিস ভেটরান ফর্নান্দো এলন্সোনা অহুমশুবা পোজিসন তাখিবগা লোয়ননা সিজন অসিগী রেস মঙাদা ঙসিগী অহুমশুবা তাখিবা অসিনা মহাক্কী মরিশুবা পোদিয়ম ওইরি।

# এরিনা সভালেনকানা ইগা স্বিটেক থোইদুনা মাদ্রিদ ওপনগী টাইটল লৌখ্রে



ন্যু দেল্লি, মে ০৮ (এজেন্সী): এরিনা সভালেনকানা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ইগা স্বিটেকপু ৬-৩, ৩-৬, ৬-৩ দা থাংজ নুমিত্তা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মায়থিবা পীদুনা মাদ্রিদ ওপনগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

সভালেনকানা অহানবা ওইনা ক্লে কোর্টতা ফজবা পর্ফোমেন্স পীদুনা ইগা স্বিটেকপু মায়থিবা পীখিবনি। মহাক্কী মায় পাকপা অসিনা থা অসিগী অরোইবদগী হৌগদৌরিবা ফ্রেঞ্চ ওপনগী টাইটল লৌবা ঙমগনি হায়বগী খুদম অমসু ওইরি।

মশাগী চহী ২৫ শুরবী সভালেনকানা মহাক্কী এগ্রেসিব ওইবা টেক্টিসশিং শিজিন্নদুনা স্বিটেকপু অহানবা রাউন্দগী মেটচতা লায়না মায়থিবা পীখি। মহাক্না রোলান্দদা গেরোজকী চেম্পিয়ন স্বিটেককী সর্ভিস অনী ব্রেক তৌদুনা অহানবা সেট মায় পাকখিবনি।

অনীশুবা সেটকী শান্নবদা স্বিটেকনা কন্না হোৎনদুনা ৩-০ দা মাঙজিন থাখি। মখা তানা মহাক্না খুদুম চন্দুনা সেট ৬-৩ দা মায় পাকখি।

শান্নরোয় অনীনা দিসাইদিং সেটকী শান্নবদা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী চেম্পিয়ন সভালেনকানা মেটচ হৌরকপদা স্বিটেকপু প্রেসর হেন্না পীদুনা ৩-০ দা মাঙজিন থাখি। স্বিটেকনা মখা তানা কন্না হোৎদুনা ৩-৩ দা লৈহনখি।

মতুং তারকপদা সভালেনকানা স্বিটেককী সর্ভিস ব্রেক তৌবগা লোয়ননা মহাক্কী হৈ শিংলবা ক্রোস কোর্ট ফোরহেন্দ শিজিন্নদুনা মহাক্কী মরিশুবা মেটচ পোইন্ট ফংখিবগা লোয়ননা স্বিটেকপু ৬-৩ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

# শোক্তুনা লৈরিবা কে এল রাহুলগী মহুত্তা ইসান কিষননা শিল্লগনি

ন্যু দেল্লি, মে ০৮ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেল স্কৱাদ লাউথোকপদা য়াওরকখিবা হৌজিক্না শোক্তুনা লৈরিবা কে এল রাহুলগী মহুত্তা নহা ওইরিবা ৱিকেট কিপর ইসান কিষননা মহুৎ শিল্লগনি হায়না ওল ইন্দিয়া সিনিয়র সেলেক্সন কম্মিটিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াগা চহী অসিগী জুন ৭তগী ১১ ফাওবা ওভেলদা পাঙথোক্কদৌরিবা দব্লিয়ু টি সী ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

বি সী সী আইগী ষ্টেটমেন্টগী মতুংইন্না লখনৌদা থা অসিগী ১ দা লখনৌ সুপর জেন অমদি রোয়ল চেলেঞ্জর বেঙ্গলোর অনীনা শান্নখিবা আই পি এল মেটচকী মনুংদা ফিল্ডিং তৌবদা রাহুলগী য়েৎ থংবা ফাইগনদা শোকখিবনি। স্পেসিএলিষ্টকা তানরবা মতুং রাহুলবু মখা তানা সর্জরি তৌনবা নেসনল ক্রিকেট একাদমিগী রিহেবতা লৈরকখিবনি। মহাক লাক্কদৌরিবা আই সী সী ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নশিপ অসিগী ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগা থেংনগদৌরিবা অসিদগী লৌথোকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা পেসমেন্ট জয়দেবল উনাদকটসু ওইথংবা লেংজুমদা শোক্তুনা লৈরি অদুবু মহাক্কী ওইনা দব্লিয়ু টি সী ফাইনেলদা শরুক য়াবগী মতাংদদি কোন্না খন্নরগনি হায়রি।

# ꯃꯊꯧꯒꯤ ꯄꯥꯎ/EMPLOYMENT NEWS


## CAU RECRUITMENT 2023 FOR 190 PROFESSOR AND VARIOUS POSTS

Vacancy Circular No: -
Central Agricultural University (CAU) Professor and Various Posts Recruitment 2023
Advertisement for the post of Professor and Various Posts in the Central Agricultural University (CAU). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 31st May 2023. Candidates can check the latest Central Agricultural University (CAU) Recruitment 2023 Professor and Various Posts Vacancy 2023 details and apply online at the cau.ac.in/ recruitment 2023 page.
The Central Agricultural University (CAU) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ cau.ac.in/. Central Agricultural University (CAU) selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed in Manipur. More details of cau.ac.in/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Professor and Various Posts
Job Location:
Lamphelpat, Imphal, 795004 Manipur
Last Date: 31st May 2023
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 190 Posts
Educational Qualification: Candidates Should have Masters's Degree/ Ph.D.
Pay Scale:
INR
57700-144200/- Per Month
Age Limit: Maximum 35 Years.
Application Fee:
For UR/ OBC: Rs. 1,000/-.
SC/ ST/ PWBD/ Women candidates are exempted from the payment of fees..
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
Applications for this job are to be filled online. Please follow the link is given below to apply (or visit the original job details page): https://cau.ac.in/recruitment-for-the-various-posts-of-assistant-profess...
Important Dates:
Published on: 11th April 2023
Last date for application is: 31st May 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

## HIGH COURT OF MANIPUR RECRUITMENT 2023 FOR 118 LOWER DIVISION ASSISTANT, GROUP-D

Vacancy Circular No: -
High Court of Manipur Lower Division Assistant, Group-D (Peon, Chowkidar/ Chowkidar-Sweeper, Chowkidar/ Caretaker) Recruitment 2023
Advertisement for the post of Lower Division Assistant, Group-D (Peon, Chowkidar/ Chowkidar-Sweeper, Chowkidar/ Caretaker) in High Court of Manipur. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 23rd May 2023. Candidates can check the latest High Court of Manipur Recruitment 2023 Lower Division Assistant, Group-D (Peon, Chowkidar/ Chowkidar-Sweeper, Chowkidar/ Caretaker) Vacancy 2023 details and apply online at the hcmimphal.nic.in recruitment 2023 page.
High Court of Manipur Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ hcmimphal.nic.in. High Court of Manipur selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Manipur. More details of hcmimphal.nic.in recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Lower Division Assistant, Group-D (Peon, Chowkidar/ Chowkidar-Sweeper, Chowkidar/ Caretaker)
Job Location:
Mantripukhri, Imphal, 795002 Manipur
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 118 Posts
Educational Qualification:
Lower Division Assistant (LDA): Graduate/ Degree holder from a recognized university/ institute. Must have basic knowledge of computer operation
Group-D: Must pass 10th standard from a recognized university. Driving Experience with a Driving License
Pay Scale: INR 15700-69100/- Per Month
Age Limit: 18-43 years.
Application Fee:
Lower Division Assistant:
Rs.600/- for UR Candidates
Rs.300/- for OBC/ ST/ SC Candidates
Group-D:
Rs.300/- for UR Candidates
Rs.150/- for OBC/ ST/ SC Candidates.
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
Applications for this job are to be filled online. Please follow the link is given below to apply (or visit the original job details page): https://hcmimphal.nic.in/
Important Dates:
Published on: 21st April 2023
Last date for application is: 23rd May 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 790

WFM Masa Maksimovic (2130) - WIM Maria Elena Rodriguez Arrieta (1943)
Olympiad Women 2018 Batumi GEO, 2018.10.05

| | | |
|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.Bb5 a6 |
| 4.Ba4 Nf6 | 5.O-O Be7 | 6.Re1 b5 |
| 7.Bb3 d6 | 8.c3 O-O | 9.h3 Nb8 |
| 10.d4 Nbd7 | 11.Nbd2 Re8 | 12. ... |

**QUESTION :**
White to win

**Puzzle 789 Ans. :**

34. ... Qb2+ The black queen decoys White's king.
Your moves:34...Qa4
35. Kxb2 Nxd1+ The black knight forks White's queen and king.
36. Kb1 Nxe3 The black knight attacks White's bishop, which is now trapped.
37. Nd3 Nxg2
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com